BUY 2 GET 1 FREE
VIDEOCON
ASIAN GAMES OFFER
VALID UPTO 27TH SEPT. 14
VIDEOCON HOUSE.
SARAJEEVAN ENTERPRISES
PAONA BAZAR. IMP

facebook.com/sanaleibak.daily
চহি চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোওবা অহানবা মণিপুরী পাউচে
RNI Regd. No. 31350/77 ₹ 3.00
E-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com

# সনালৈবাক

ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি কুম্বি লোকেল কাউন্সিলনা শিন্দুনা ১১৮শুবা ইরাবত নিংশিং থৌরমগা মরি লৈননা কুম্বি কৈথেলদা পাংথোকখিবা থৌরমদা জননেতা ইরাবতকী অয়েকপা শক্তম পুদুনা মীয়াম্না ইকায় খুম্নবা উৎখিবা

ইম্ফালগী কোনুং মমাংদা লৈবা মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তি ওদিটোরিয়মদা ঙরাং পাংথোকখিবা রাজশ্রী ভৈগ্যচন্দ্র মেমোরিয়েল লেকচরগী থৌরমদা রাজশ্রী ভৈগ্যচন্দ্রগী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুম্নবা

27 09 201

DVD/STAB./
/TATA SKY HD FREE
24" LED TV
+ 170LT REFRI:
+ 7KG W/MACHINE
= ₹ 30000
PANA LADY. CHINGTAM. KHOYATHONG RD.
NAMBOL. KAKCHING. THOUBAL.
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

Vol : 40 Issue : 365-31 Pages : 8 Website: www.sanaleibak.in Imphal, Monday, September 29, 2014 নিংথৌকাবা, মেরাগী ৫ নি পানবা

লৈবাকসিগী পাউ | ষ্টেটসিগী পাউ | এডিটোরিয়েল | মখল মখলগী কলম | মপান লৈবাক্কী পাউ | মাস্নবগী পাউ

## অহানবা কাখল

### কাখলগী চিঙ্খৎ

হিংলিবা চাকনিবা অমনা শিরবা নিংথৌরেল অমদগী হেন্না ফৈ।

[illegible]

## মনুংগী লমায়দা

লমায় ২ ঃ
- মহারাষ্ট্রদা প্রসিদেন্ট রুল থমখ্রে

লমায় ৩ ঃ
- ঙসিগী রাশি ফল
- শিন্নীশিংগী হক মৎপা য়ারোই ঃ হেরিকোন

লমায় ৪ ঃ
- মৈগী প্রোব্লেমদি অদুমক লৈরি (এডিটোরিয়েল)

লমায় ৫ ঃ
- শমু অপাইবী (ফুঙ্গা ৱারী–মীতৈ ময়েক)
- চাউবাগী সস্পেন্সন চৎনবা য়ারোই ঃ হাংখনপাও

লমায় ৬ ঃ
- মৈগী চীং পোখাইখ্রবা তুংদা হায়কর ৩১গী হকচাং ফংলে

লমায় ৭ ঃ
- ইঞ্চিওন এসিয়ান গেমস ঃ রেষ্টলিংদা গোল্ড মেদল লৌখ্রে নুপীগী কিমি ২০গী ৱার্ক রেষ্টতা খুসবির কোরনা সিলভর মেদল ফংখ্রে

লমায় ৮ ঃ
- এস কে ৱাই সি অমদি এস য়ু মায় পাকখ্রে

গ্যাসকী পাউ পমায় ৩ দা

### ঙসিগী অঙৈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী ঈংবা চাং ঃ ১৮°
খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ২৪°
নুমিৎ থোকপা অয়ুক পুং ৫.০২
নুমিৎ তাবা নুংথিল পুং ৫.০৪
নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদ ৬৭

### লোইরেদনা


ইতাও লাইসেন্স পীরগা য়ু য়োনবা য়াহল্লনেনা হায়রেনে।
[illegible]
মদু থকপদা নুংঙাইবা ৱাৎকনিদা থিংল–থিংলগা মগু লৈবা হেল্লিদা।
[illegible]

৫০০ ফাদ্রবা মণিপুরী শগোলগী ফিভম খংহন্নবা খোঙচৎ চংখ্রে

# মণিপুরী শগোল মুংখিবা য়াবগী ফিবমদা লৈরে

*এস এন এস*

**ইম্ফাল সেপ্তেম্বর ২৮ঃ** মণিপুরগী নাৎ অমদি পুৱারীগী অহিংবা শক্তম ওইরিবা মণিপুরী শগোল হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদগী কন্নবা হন্না য়েংবিদবা তারবদি মালেমগী লৈমাইদগী মুংখিবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে।

শগোল অসিনা মায়োক্লরিবা ফিভম অসি মীয়ামদা খংহন্নবগী পান্দমদা মণিপুরী পোনি সোসাইটি অমদি মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন্না পুন্না শিন্দুনা শগোলগী খোঙচৎ অমা ইম্ফালগী মরু ওইবা লম্বীশিংদা ঙসি চংখ্রে।

লম্ফেল পাৎতা লৈবা মণিপুরী পোনি ব্রিডিং ফার্মদগী হৌরগা চংখিবা খোঙচৎ অদুদা মণিপুরগী মফম কয়াদা লৈরিবা পোলো ক্লবশিংগী মেম্বরশিং পোলো প্লেয়ারশিং অমদি শগোল লোয়বা মীওই ১৫০ রোম্না মখোয় মখোয়গী শগোলশিংগা লোয়ননা শরুক য়াখি।

ঙসিগী খোঙচৎ অসিগা মরি লৈননা মণিপুরগী ভেটিরিনরি অমদি এনিমেল হজন্দেরি সার্বিসেসকী মিনিষ্টর গোবীন্দাস কোন্থৌজমদা মণিপুরী পোনি সোসাইটিনা পীখিবা মোমোরেন্দম অমদা ফোংদোক্লিবদি সোসাইটি অসিনা আগষ্ট ২০১৪দা মণিপুরদা লৈরিবা পোলো ক্লবশিং অমদি শগোল লোইবশিংগা খুৎশম্নরগা মশিং থিবদা মণিপুরী শগোল অসি ৫০০ ফাদ্রে।

ভেটিরিনরি অমদি এনিমেল হজবেন্দরি দিপার্টমেন্টনা ২০০৩দা পাংথোকখিবা ১৮শুবা ক্যনক্যনেল লাইভ ষ্টোক সেন্সসতা মণিপুরী শগোলগী মশিং অসি ১৮৯৩ লৈরি হায়না উৎখিবনি। অদুবু ২০০৭ তদি মশিং অসি ১২১৮ দা হস্থরে হায়না অমুক উৎখিবনি।

করিগুম্বা শা মখল অমগী মশিং অসি ২০০০গী মখাদা লৈরবদি এনদেঞ্জর হায়বদি মুংখিবা য়াবগী কিনিংঙাই ওইরে হায়না লৌনৈ। অদুগা শা মখল অদুগী অমোমগী মশিং অসি ৪০০গী মখাদা লৈরবদি ক্রিটিকেল এনদেঞ্জর হায়বদি শাথিনা কিনিংঙাই ওইরবনি হায়না লৌনৈ হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টর গোবিন্দাসতা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা মণিপুরী শগোল অসি ক্রিটিকেল্লি এনদেঞ্জর ওইরে হায়না লাউথোকপিয়ু হায়না দাবি তৌরি।

মখা লমায় ৫ কলম ৩ দা

ইঞ্চিওন এসিয়ান গেমসতা মেরিকোম অমসুং সরিতা

# মেদল শোয়দ্রে, দেবেন্দ্রোনা ক্বার্টর ফাইনেল চংখ্রে

দেবেন্দ্রো
মেরি কোম
সরিতা

*এজেন্সিদগী*

**ইঞ্চিওন, সেপ্টেম্বর ২৮ঃ** সাউথ কোরিয়াগী ইঞ্চিওন সহরদা চংখরিবা ১৭ শুবা এসিয়ান গেমসকী বোক্সিং ইবেন্টতা শরুক য়ারিবা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোই মেরিকোম অমসুং সরিতা মেদল অমমম শোয়দনা ফংলগনি। লাইশ্রম দেবেন্দ্রোনা ক্বার্টর ফাইনেল চংখ্রে।

মেরিকোম অমসুং সরিতানা মখোয় মখোয়গী ৱেঠ কেটেগোরিশিংদা ক্বার্টর ফাইনেল বাউটশিং অদু মায় পাক্তুনা মখোয় অনিমক সেমি ফাইনেল য়ৌবদগী শোইদনা মেদল অমমমদি ফংলগনি। মখোয়না মখা তানা মায় পাক্লবদি গোল্ড নত্রগা সিলভর ফংবা য়ানা লৈরি। অমরোমদা ঙসি ৱেঠ কেজি ৪৯ গী চংখিবা বাউটতা দেবেন্দ্রো মায় পাক্তু না ক্বার্টর ফাইনেল চংখ্রে।

ঙসি মেরিকোমনা নুপীগী কেজি ৫১ গী কেটেগোরিদা চাইনাগী সি হায়জোনগা লান্বা তৌনরকপা হৌরকপদা মখুৎ খরা ফাজিনখ্রবসু মখা তানা শান্নরকপদা মহাক্কী ফোর্ম তারক্তুনা পোইন্ট ৪–২ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি। মেরিকোম মহাক্কী লম্বাদগী চহি ১০ হনখি। অদুবু ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৫ রক ওইখ্রবা লোয়ননা ইং ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রবী মেরিকোমনা মশা খিংবা হেনখি। মেরিকোমনা মরিশুবা রাউন্দদা চাইনাগী বোক্সর অদুদগী য়াম্না হেনখিদুনা

মখা লমায় ৫ কলম ৩ দা

# ইন্টিগ্রিটি এন্দ সোলিদরিটি দে পাংথোকখ্রে

*এসএনএস*

**ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৮ঃ** মমাং চহিশিংদা পাঙথোকপগুম হন্দকসু অপুনবা মণিপুর কনবা ইমা লুপ (এমকিল) অমসুং নেসনেল আইদেন্টিটি প্রোটেক্সন কম্মিটি (নিপকো) না পুন্না শিন্দুনা ১৪রকশুবা মণিপুর ইন্টিগ্রিটি এন্দ সোলিদরিটি ডে থৌরম ঙসি কোনুং মমাংদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এমকিলগী প্রসিদেন্ট ফানজৌবম শখিলৈমা, নিপকোগী প্রসিদেন্ট সুনিল করাম, আরকে রনেন্দ্রজিৎ সিংহ, জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন (এ এন এম) গী ভাইস প্রসিদেন্ট আর চন্দ্র হাওমৈ, কুকি ব্লুমেন্স য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট রোজ মাংসি অমসুং য়ু সি এম গী প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম নবচন্দ্রনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

মীওই চা কয়া শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা য়ু সি এমগী প্রসিদেন্ট ৱাই নবচন্দ্রনা হায়, এন এস সি এন (আই এম) গী চথরিবা শান্তিগী ৱারীদা করি অনৌবা মায়ওন অমা লাক্কদগে হায়বা খংবা ঙম্দ্রি।

সরকারনা তৌগে হায়রবদি পন্নমক ঙস্মী হায়বদু অন্ধ্র প্রদেশতা টেলেঙ্গনা ষ্টেট খাইদোক্তুনা শেমখিবা অদুদগী খংবা ঙস্মী। অদুনা হৌজিক চথরিবা শান্তিগী ৱারীদা করি করম্বা ৱাফম পুথোক্তুনা খন্নরিবগে হায়বদু খংদবনা য়াম্না মীপাইনিংঙাই ওই। মরম অদুনা লৈবাক্কীদমক থবক তৌবদা কিন্দবা তাই হায়রি।

মণিপুর সরকারনা তৌফম থোকপশিং অদু তৌবা ঙমদ্রে হায়না চার্জ তৌরদুনা সেন্তরদগী ফন্দ খরা লৌরগা শেমগৎ–শাগৎপগী থবক তৌবা খক্তা ঙাইরে। লৈবাক্কী অমদি খুন্নাইগী য়েংদুনা তৌফম থোকপশিং তৌবগী চাংদি য়াম্না নেম্লি হায়খি।

অরানবা ৱাফম ফোংদোক্লদুনা অমগা অমগা হুন্নবা চৈনবগী ৱাখল থাদোক্লসি।

মখা লমায় ৫ কলম ৬ দা

# এ বি সি গোদাউন্দা বোম পোকখাইখ্রে

## জোইন্ট সেক্রেটরিগীদসু থনগ্লে

*এস এন এস*

**ইম্ফাল সেপ্তেম্বর ২৮ঃ** ঙসি নুমিদাং পুং ৭ লোম তাবদা সিটি পুলিসকী মনুং চনবা খোয়াথোংদা লৈবা এ বি সি গোদাউন্দা মশক খংদবা খুৎলাই পায়বশিংনা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা পোকখাইহনখ্রে। অদুবু মীওই অমত্তা অশোক অপন য়াওখিদে হায়রি।

বোম অদু গোদাউন মনুংদা খামদুনা থম্লা টাটা রেজিষ্ট্রেসন নম্বর এম এন ০১ কে – ৩৭৬৩ গী মথক্তা তাদুনা পোকখাইখিবনি, মদুদা গারি অদুগী শরুক খরদি অকাই অতোই থোকখ্রে। পুলিসনা থৌদোক অদুগা মরি লৈননা মখা তানা থিজিনবসু হৌখ্রে।

এ বি সি গোদাউন্দা বোম লংশিন্দুনা পোকখাইহনবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহুস্রুক শুবনি হায়রি।

অতোপ্পা অমনা ঙসি অয়ুক পুং ৭.৩০ রোম তাবদা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি অমসুং কেনোইং কয়াকিং এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট তাখেল্লম্বম দুশন্ত (৪৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা লালহরিগী ললম্থুং মখোং নিংথৌজম লৈকাইদা লৈবা য়ুমগী কোন্থোংদাং চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অমা থনগ্লে হায়রি। ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা গ্রেনেদ অদু থেংনরপদগী পুলিস্তা পাউ পীরবা মতুং অয়ুক পুং ৮.২০ লোম তাবদা অশোই অঙম য়াওদনা লৌথোকখ্রে হায়রি।

দুশন্তগী য়ুমগী গেটতা গ্রেনেদ থমজিল্লম্বা থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা লমদম অদুগী মৈরা পায়বী য়াওনা মীয়াম্না ঙসি অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ৱাকৎ মীফম চংখ্রে।

পনবা য়াই, চৎলিবা থা অসিগী ২২গী নুংথিলদা ওল মণিপুর কেনোইং এন্দ কয়াকিং এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি থোকচোম নরেস, মেম্বরশিং নোরেন, এন কুমার অমদি দুশন্ত য়াওনা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্দা ৱাকৎ চেরোল অমা

মখা লমায় ৫ কলম ৫ দা

# রঞ্জিতা ইবোমচানা হাৎপনি ঃ জে এ সি

*এস এন এস*

**ইম্ফাল সেপ্তেম্বর ২৮ঃ** হৌখিবা আগষ্ট ২দা মশামক্কী লৌবুকমক্তদা হাৎতেক্লগা হুন্দোকপীরম্লবী লৌরেম্বম ওংবী রঞ্জিতা দেবীগী মীহাৎ অদু থৌদোক অদুগা মরি লৈননা ফাখিবা য়াইরিপোক খোইরোম অতাবুং বজারদগী লাইশ্রম ইবোমচানা চথখিবনি হায়বা খঙবা ঙম্লে হায়না মীহাৎ অসিগী মতাংদা শেমখিবা জোইন্ট এক্সন কম্মিতিগী কন্ভেনর ঐচ থিরেন সিংহনা ফোংদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাংথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা থিরেননা হায়, লৌরেম্বম রঞ্জিতা মশাগী লৌফমক্তদা নুপী ওইবীগী ইকায় খুম্নবা মাংহল্লগা মতুংদা থাংনা য়ান্দুনা হাত্তোক্লবা মতুংদা হুন্দোকপীরমখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা মীহাৎ অসিগা মরি লৈননা লাইশ্রম ইবোমচা

মখা লমায় ৫ কলম ৩ দা

[illegible]

# মণিপুর শাসন লৈত্রবা মচোই তারবা লৈবাক ওইরেঃ ডা. নর

*এস এন এস*

**ইম্ফাল সেপ্তেম্বর ২৮ঃ** মণিপুর অসি লৈঙাক সাসন লৈত্রবা লমদম অমা ওইরে। মণিপুরদা লৈরিবা শাসন অসিদি মমিংতগী ঙাইরে। লৈবাক অসি মচোই তারবা লৈবাক ওইরে হায়না সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ষ্টেট সেক্রেটরি ডা. মোইরাংথেম নরনা ফোংদোকখ্রে।

ঙসি ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিতি, কুম্বী লোকেল কাউন্সিলনা শিন্দুনা কুম্বী বজারদা পাংথোকখিবা জননেতা হিজম ইরাবতকী ১১৮ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা ডা. এম নরনা হায়, ঙসি পাংথোক্লিবা পালন থৌরম অসি ইচম চম্না পাংথোকপা নত্তে। মসিনা তুংগী হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা অচৌবা লম্বী অমা পীরিবনি।

হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা ফিভম অসিদা লৈঙাক শাসন লৈত্রে। লমদম অসিগী মীয়াম চম্নবা ফিভম অমদা লৈহল্লে। লমদম অসি আইন লৈত্রবা শেঞ্জা থুমজানা থল্লবা ষ্টেট অমা ওইরে।

মখা লমায় ৫ কলম ৩ দা

# কংগ্রেস শরূ শয়াং তেক্লবা পার্টি অমগা মান্নরেঃ টি ঐচ চাউবা

*এস এন এস*

*ইম্ফাল সেপ্তেম্বর ২৮ঃ* কংগ্রেস পার্টি অসি শরূ শয়াং তেক্লবা লেপ্পা ঙমদবা পার্টি অমা ওইরে। কংগ্রেস পার্টি বি জে পিনা ইন্দিয়াদগী মরু ফংনা মুথৎকনি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ চাউবনা ফোংদোকখ্রে।

ঙসি বি জে পি হিয়াংলম মন্দলনা শিন্দুনা ওক্টোবর ১৭তা পাংথোক্কদৌরিবা হিয়াংলম কেন্দ্রগী মরক্কী মীখল অসিগা মরি লৈননা থোংজাও মখা কম্যুনিটি হোলদা পাংথোকখিবা মীখলগা মরি লৈনবা মীয়ামগী মীফমদা চাউবনা হায়, কংগ্রেস পার্টি অসি মীয়াম্না পাম্নদ্রবা ইহৌক্লবা পার্টি অমা ওইরে। ইন্দিয়াগী লৈমায়দগী পার্টি অসি মুথৎনবা হোংনবগা লোয়ননা মণিপুরদসু কংগ্রেস পার্টি অসি ইকুই কুইদ্রবা মতমগী মনুংদা থুপচিনখ্রগনি। পার্টি অসি কাঙখুলদগী হৌগৎপা ঙস্লরোইদবা পার্টি অমা ওইরক্লগনি।

হৌজিক মণিপুরদা শাসন তৌরিবা কংগ্রেস সরকার অসিনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা কেন্দ্র ৬০ অসিদা মান্নবা মীৎয়েংনা য়েংবা ঙমদ্রে। থবক হাপ্পদা থৌবাল

মখা লমায় ৫ কলম ১ দা

# জেনরেল ষ্ট্রাইক লোইশিনখ্রে গারী কয়া থুগায়খ্রে

*এসএনএস*

**ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৮ঃ** পুং ৪৮ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক ঙসি লোইশিন্দ্রিঙৈদা মাংওইননা ময়াই লম্বীদা চাউনা অকায়বা পীখ্রে লোয়ননা গারী কয়া জেনরেল স্ত্রাইক শোগৎপশিংনা থুগায়খ্রে।

থাসিগী হৌখিবা তাং ২১ দা ইরোম মৈত্রাও মমাং লৈকায় মপাগী নঙ্গুল তুরেলদা মীহাৎথিনা হাত্তোক্লগা থল্লকখিবা হিয়াংথাং পলক্তগী সেরাখাদুন এলাইজ ইমাতোন (৫৫) গী মীশিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সি না কৌখিবা পুং ৪৮ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক শান্তি ওইনা লোয়শিনখ্রে। ময়াই লম্বীগী হিয়াংথাং চন্দ্রনদি থোং ময়াদা জেনরেল স্ত্রাইক শোগৎপশিংনা লম্বী থিংখি মদুদা লাকপা পেসেঞ্জর পুম্না গারী খরা বন্দ শোগৎপশিংনা থুগায়খি। হিয়াংথাং অমদি শমুরৌ বজারগী থোঙ হাংনখিদে। অতোপ্পা মফমশিংদদি জেনরেল স্ত্রাইক অসিনা মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা করিসু পীখিদে। খাইরম্বন্দ কৈথেল মহৌশাগুম থোঙ হাংনখি, কৈথেল কান্নখি লোয়ননা পোসেঞ্জর পুবা গারীশিং মহৌশাগুম চেন্নখি।

মখা লমায় ৫ কলম ৩ দা

## Dedicated Hawker/ Distributer পামজৈ

সনালৈবাক পাউচেগী ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা দেদিকেটেট হোকর / দিসট্রিবুটর খরা অথুবা মতমদা পামজৈ। পাম্বীবা মীওইশিংনা মশা–মশাগী বাইও দাটা, খবর য়োনবা ঙমগদবা মফমগী এরিয়া (চাওরাকপা) কন্টেক্ট নম্বর য়াওবা অইবা চেরোল পাউচে অসিগী মেনেজরদা নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা পীশিনবীয়ু।

Manager

## ! হেক্তা হায়জিনবা !

- চংচং লাওনা চিফ মিনিষ্টরওইরিবী জয়ালালিতা জেলদা হেক নমশিনখিবসিদি অঙকপনিনহে । আইনসি লৈদি লৈজাৎনিকো।
- করিগী মরান্দনি হায়গনে ?
- মশাগী শেম্থোক্তা চান্নদবা মরল মথুম পৈশিল্লম্বগীনি হায়রিনে।
- মদুগী আইনদু পাল্লবদি মণিপুরগী জেলসিদি চল্লোইহে।
- হোয়নে মণিপুরগী মন্ত্রিশিং, মণিপুরগী ওফিসারশিং, মণিপুরগী পুলিসশিং, মণিপুরগী ইঞ্জিনিয়ারশিংগী মরল–মথুম, ময়ুম–মকৈ, ফার্ম, ময়াম অসি মখোয়গী শেম্থোক্তা লোয়ননা খোৎ–খোৎতুনা য়েংলগা ফাগৎলবদি । ইম্ফাল জেল শজিরা জেল অনিসি চনবগী ৱাদি লৈতেহে।
- কা হেন্নসু খনজিল্লুদা । মণিপুরদি লাইনা থাবা লমদমনিনা আইন নুং মহি ময়াই লোইনা চম্বনিদা ।
- অদুবু মখোয়গীসু শেম্থো শক্তি ময়াম অমা শিজিন্নদুনা কোৎথোকপা কাংবু কয়া অমসু লৈরিনে সনালৈবাকসিদা।
- ময়াম অসিনা নিংতম্না পাল্লিবা মণিপুরবু নিংতমদ্রি করম্না হায়দোইনো ?
- নঙগীদু হেক্তা হায়জিনবা মাল্লেদা ।

# আই এল পি ৱাকৎ মীফম চংখ্রে ৱারেপ কয়াসু লৌখ্রে

*এসএনএস*

**ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৮ঃ** মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট চংনহল্লু হায়দুনা লুপ কয়ানা পুনশিল্লগা শেমখিবা জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম (জে সি আই এল পি এস) গী লমজিং মখাদা মীয়াম্না চংশিনবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অয়ুক্তগী হৌনা নঙ্গোল অৱাং জীরিদা মায়কৈ অদোমগী লৈকায়গী মৈরা পায়বী, খুনগী কম্মিটি অমদি ক্লব কয়া পুল্লগা ৱাকৎ মীফম ফম্বগা লোয়ননা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে হায়রি।

অৱাং জিরি খুন কম্মিটি, নিষাবন্দ মৈরা পায়বী, অৱাং জিরি য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ ক্লব, অৱাং জিরি য়ুথ গাইদেন্স ক্লব, নহারোল য়াইফ ক্লব অমদি অৱাং জিরি স্পোর্টস এসোসিয়েসন পুল্লগা ৱাকৎ মীফম অদু অৱাং জিরি মৈরা পায়বী শঙদা চথখিবনি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা, য়েলহৌ মী কল্লু অথুবা মতমদা মণিপুরদা আই এল পী চংনহল্লু হায়বা প্রেকার্দ কয়া থেংখি। লোয়ননা ৱারী শাবা লোয়শিন্দুনা আই এল পি খুদক্তা চংনহল্লু, অৱাং জিরি খুন্দা মীতোপশিংনা পার্মিট য়াওদনা চংবা য়ারোই, মসিদা থোক্লকপা অফ–ফত্তবা হৌজিক্কী গবর্নমেন্টনা দাইত্ব পুগদবনি হায়না ৱারেপসু লৌরে হায়রি।

. শগোলবন্দ সয়াং কোন্থৌজম লৈকায়দসু মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ৱাকৎ মীফম অসিদা জে সি আই এল পি এস কী কনভেনর ইবোতোম্বী খুমন সোমোরেন্দ্রো খোদ্রাম অমদি আর কে সনাহনবীনা ৱাঙাংলোই ওইনা শরুক য়াখি।

গবর্নমেন্টনা অথুবদা লো অমা শেমদুনা আই এল পি চংনহনগদবনি হায়নসু মখা তানা তকশিনখি।

AUTHORISED DISTRIBUTOR BHUTAN BOARD PARTICLEBOARD PRODUCTS LTD.
BEWARE OF DUPLICATE
(ONLY PARTICLEBOARD)
HOME FURNITURE
BHUTAN BOARD PRELAMINATED.
8MM TO 35 MM
THICK AVIABLE
ORIGINAL BHUTAN PRELAMINATED BOARD ALSO AVIALABLE AT:
1. M/S KEISHAM MART KWAKEITHEL OPP. IMPHAL COLLEGE.
2. PRIYO HARDWARE, LAMLONG BAZAR
3. NATIONAL PLY ,THANGAL BAZAR
4. ZORAN STEEL,CCPUR
5. ALBERT HARDWARE,CCPUR
M/S NEBCO AGENCY
RIMS ROAD
AP ROAD NEAR J.N. HOSPITAL
RAJBARI OPP. KUSUM OIL PUMP